## মালেমগী অঙকপশিং

# কাইরোদা লৈবা ঈজিপসিয়ন ম্যুজিয়ম



চহী ৪০০০ রোম হেল্লবা তোঙান তোঙানবা মখলগী তাংলবা পোৎলম ১২০,০০০ লোম লৈবা মরম্না কাইরোগী ঈজিপসিয়ন ম্যুজিয়ম অসি মালেমদা মমিং চৎলি। ঈজিপসিয়ন লৈঙাক্না কুমজা ১৮৩৫ দা এজবেকেয়ে গার্দেন মনাক্তা শেমগৎখিবা ম্যুজিয়ম অসিদা অরিবা মতমগী নিংথৌনা শীজিন্নরম্বা পোৎলম কয়ামরুম লৈ।

য়ুনাইটেদ নেশন্স এদ্যুকেশনেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেশন (য়ুনেস্কো) না মালেমগী থাক্তা অথোই অহেন তান্নহল্লগা খনগৎলবা দিজাইন্দা য়ুম্ফম ওইরগা শাবা ম্যুজিয়ম অসিদা ঈজিপসিয়ন, রোমান অমদি গ্রীকশিংনা শীজিন্নরম্বা অরিবা মতমগী শেনয়েক কয়ামরুম লৈ। নিংথৌ ২৭ কী হকচাংশিং নীংথিনা মপোপ কায়হন্দনা থল্লিবা মফম অসিবু রোয়ল মম্মি রুম হায়নসু খঙনৈ। নাইল তুরেলগী ইমায় পাথোরক্তুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ঈশিং থুমজিনবদগী কয়ারক হন্না মফম হোংদোক হোংজিন তৌরুরবা মতুংদা ইকোন কোন্না কাইরোদা ম্যুজিয়ম অসি শেমগৎখিবনি।

অউবশিংগী মীৎ পেনবমখৈ নীংথিজরবা ম্যুজিয়ম অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী নীংথিরবা থাইনগী পোৎলম কয়ামরুম থল্লি। খ্বাইদগী মখা ইথং থংবা কাশিংদা চহী ৫০০০ হেল্লবা পোৎলমশিং থল্লি। কনাগুম্বনা ঈজিপ্তুতা কোয়বা চৎলগা মফম অসি য়েংলমদনা হনখিবা তারবদি খোঙচৎ অদু মপুং ফাদে হায়না লৌনৈ। খ্বাইদগী ইহান হান্না ১৯ শুবা চহীচাদা বোলাক্তা শেমগৎখিবা ম্যুজিয়ম অসি কুমজা ১৮৯১ দা গিজাদা হোংদোকখি। কোন্না অমুক কুমজা ১৯০২ দা হৌজিক লৈরিবা মফম, টাহির স্কৱারদা হোংদোকখবনি। মার্সেল দোগনননা দিজাইন তৌবা ম্যুজিয়ম অসিগী হোল ১০৭ তা চহী ৫০০০ রোম শুরবা পোৎলম ১৬০,০০০ রোম থল্লি।

কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মমল য়াম্লবা পোৎলম কয়ামরুম মাঙখি। চাউরাক্না পোৎলম ৫০ রোম মাঙখিবগী মনুংদা ২৫ রোমদি ফংবা ঙমলে। নৌনা ফংলবা পোৎলমশিং অদু কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা "দেমেজদ এন্দ রেষ্টোরদ" হায়না মিংথোনবা এক্সিবিশন অমদা উৎখি। মরু ওইবা মতোল অনী লৈবা ম্যুজিয়মগী মখা থংবা মথোলদা উৎলিবা অরিবা মতমগী শেনয়েকশিংদা গ্রীক, লেটিন, অরাবিক অমদি ঈজিপসিয়ন লোননা ইবা ৱাহৈ কয়া য়াওরি। সনা, লুপা অমদি শেঞ্জেংনা শাবা শেনয়েকশিং অদু য়েংলগা অরিবা মতমদা ঈজিপ্তুতা চৎনরম্বা ললোন ইতিক্কী চাউরাকপা মওং অমা খঙবা ঙম্মী। তোঙান তোঙানবা মিতম, অরিবা মতমগী টেবল অমদি মী অশিবা হাপ্পবা কু কয়াসু লৈমায়গী কাশিংদা থম্মী।

অহানবা মথোলদা নিংথৌরেলশিংনা শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং, মখোয়গী মোংফমদগী ফংবা মমল য়াম্লবা পোৎলমশিং অমসুং "ভেলি ওফ কিংস" তগী ফংবা থাইনগী পোৎলম কয়া থল্লি। নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংগী মম্মিশিং থম্বা অখন্নবা কা অনীসু অহানবা মথোলদা লৈ।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লমকোয়বশিংনা খোয়দানা য়েংবা লাক্করিবা মফম অসিদা উৎলিবা থাইনগী ওইবা সনা লুপাগী লৈতেং পোৎলম অয়াম্বা নিংথৌরেল টুটানখামেনগীনি। নিংথৌরেল অসি য়াম্না নহা ওইনা মশাগী চহী ১৮ শুরকপদা নোঙ্গাখিবা মরম্না পুৱারিদা মশক থোকপা থবক অমত্তা তুংগী মীরোলদা খুদোল তল্লম্নবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। অদুবু মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোল চনবদা হাপখিবা মমল য়াম্লবা পোৎলম পুম্নমক অমত্তা মপোপ কায়দনা কুমজা ১৯২২ দা থেংনখিবদগী নিংথৌরেল অসি মমিং চৎখিবনি। মতম অমদা মোংফমদগী অতাঙবা পোৎলমশিং হুরানবা (টোম্ব রেদর) খুৎপু অমনা মোংফম ফনা য়াম্না লুট তৌখ্রবসু নিংথৌরেল টুটানখামেনগী মোংফমদি মপোপ কায়দনা লৈরম্বা থেংনখি। য়েংবা লাকপা মীওইশিংগী খুদোংচানবগীদমক ম্যুজিয়ম কমপ্লেক্স মনুংদা কেফটরিয়া, বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিস, গিফ্‌ট শোপ, লাইব্রেরি, লোয়ন-লোয়ননা ইংলিশ, ফ্রেঞ্চ অমদি অরাবিক লোনগী ওদিও টেপ গাইদশিং ফংই। কনাগুম্বনা "ফ্রেন্দস ওফ দ ঈজিপসিয়ন ম্যুজিয়ম ওর্গনাইজেশনগী মেম্বর ওইনবগী খুদোংচাবসু পীরি।

লৈবাক্কী মরু ওইবা লন অমা ওইনা লৌবা য়ারবা ম্যুজিয়ম অসি য়েংলগা কনাগুম্বা অমনা ঈজিপ্টকী চাউরাকপা পুৱারী অমা ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। থা খুদিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা কা অমদা অখন্নবা পোৎলম অমমম উৎপগা লোয়ননা মদুগী মরমদা মরীক চুম্না তাক্তুনা য়েংবা লাকপা মীওইশিংগী পুক্নিং লৌশিং ওইহল্লি।

মিদল ইষ্টতা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা তোপ তোপ্পা মওং মতৌ অমা ঈজিপ্তুতা উবা ফংই। কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা ঈজিপসিয়ন রেভল্যুশন্দা "ফেসবুক" না লৌখিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংবা ওইনা ঈজিপ্তুকী মপা অমনা মহাক্কী মচানুপীগী মমিং "ফেসবুক" হায়না থোল্লম্মী। ঈজিপ্তুতা হৌজিক ফেসবুক শীজিন্নবা মীওই মিলিয়ন মঙারোম লৈ। কুমজা ২০০৯ ফাওবদা ইন্টরনেট শীজিন্নবা মীওই মিলিয়ন ২০,১৩৬ লৈবা ঈজিপ্টনা মালেমগী ইন্টরনেট খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ২১ শুবদা লৈখি।

ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজিনা চাওখৎলকপগা ইরোইননা মতম অমদা কনানসু খঙবী-উবীদনা লৈরম্বা ঈজিপসিয়ন ম্যুজিয়ম অসি ঙসিদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লম কোয়বশিংগী মরু ওইবা লমথুংফম অমা ওইরে।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# ফেসিয়ল মসাজনা মায়গী মওং শেম্বা



মায় থোনবা, খজাই অমদি খদাং ইচোন-চোনথবা হায়বসিনা শক থিনা উহল্লি। কনাগুম্বনা সর্জরি তৌরগা অহেনবা, অথোনবা শরুক অদু লৌথোকপা য়াওই। অদুবু মসিদি শেল য়াম্না চঙবতা নত্তনা চৈনাখোলসু ফাওই। পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা শেলসু চঙদবা, চৈনাখোলসু ফাওদবা অমদি খুদোংথিনিংঙাইসু ওইদবা পাম্বে অমা থিরকপদা "ফেসিএল মসাজ" না খ্বাইদগী ফরে হায়বা খঙনরক্লে। মখল কয়াগী কোসমেটিক অমদি খুৎশু-খুৎলায় অমত্তা চঙদনা ইশা-ইশাগী য়ুমদা য়াম্না অচম্বা মওংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং অসি জপান্দদি কা হেন্না পোপ্যুলরওইরে।

মায়দা মসাজ তৌরমদাইদা নীংশিংগদবা মরুওইবা ৱাফম ৩দি :

.কাঙলোন চুম্মী-চুমদে খঙনবা মিংশেল মমাঙদা তৌগদবনি।

.মসাজ তৌরিবনি হায়দুনা মায়দা কা হেন্না শাফু কন্না তকপা-নোইবা য়াদে।

.উনশা শোক্তনবা মসাজ ওইল মরাং কায়না শীজিন্নগদবনি।

খজাই চোনথবা ফনবগীদমক খুতুম তাশিল্লগা খজাই মখাগী উনশা অদু মথকলোমদা ইনখৎতুনা সেকেন্দ মঙারোম থম্লগা তপ্না-তপ্না থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বনা মায়গী শাজেল অসি তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবদি খুৎকী খুনিং অনীমক টেবল অমগী মথক্তা শৌবা করিসু কায়দে।

মথংদা য়েৎথংবা খুবীগী নাকচিনা ওয়থংবা মীৎপান মখাদগী হৌরগা উনশা মথক্তা তপ্না-তপ্না তক্তুনা মতাইরোমদা পুথোকখিগদবনি। অদুদগী ওয়থংবা খুবীনা য়েৎ থংবা মীৎপান মখাদা অমুক তৌবা য়ারে। খুবী অনীনা নাগী হেক মখাদা ঙকশমদা থম্লগা মথক-মখা ইনখৎ-ইনথ তৌদুনা নোইগদবনি। মতৌ অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী পরম চুম্না মায়গী শাজেল তৌরবদি খজাই চোনথবা ফরক্কনি।

মীপুম খুদিংমক খজাই অমদি মসিগী অকোয়বদা উনশা খুইবা হৌরক্লবদি চহী ফনা নৌরবসু অহল ওইনা উহল্লি। খজাই মপাগী উনশা খুইরকপগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী য়াম্না ফরবা পাম্বেদি নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক্তা মায় তাবা লোইরগা ক্রিম তৈরমদাইদা খজাইগী উনশাদা মসাজ তৌবনি। তৌবতবু মিংশেল মমাঙদা লেপ্লগা পরম চুম্না মসাজ তৌবা মথৌ তাই।

অমরোমদা খদাং চোন্থবা হায়বসিনসু মায়গী ফীভম কায়হন্দুনা শক থিনবগী মরম ওইহল্লি। অফবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা অৱাবা অসি খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লবসু খ্বাইদগী চম্বা অমসুং অরায়বা পাম্বেদি মায়দা মসাজ তৌদুনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবা হায়বসিনি।

অহানবদা খুৎশা অনীগী কারক্না চপ্লগা খদাংগী মফম শীনবা থুংনা তপ্না তপ্না চিংগদবনি। অদুদগীদি খদাংদা খুৎশানা নম্লগা তপ্না তপ্না মথকলোমদা নারুম তম্না পুখৎকদবনি।



মতৌ অসুম্না মায়দা পরম চুম্না মসাজ তৌরবদি মায়দা চেনবা ঈগী ঈচেল ফগৎহন্দুনা খজাই চোনথবা, মায় পোমখৎপা অমদি খদাং চোনথবনচিংবা খুদোংচাদবা পুম্নমক কোকহন্দুনা মায়গী মওং মতৌ ফজনা উহল্লি।

# আলু টমাটর সবজি করম্না থোংগদগে

চঙগদবা পোৎচঙ ঃ

- ময়ায় ওইরপ চাউবা আলু অনী।
- ময়ায় ওইরপ্পা খামেন অশিনবা ৪-৫।
- জীরা চামচ মচা অমা।
- মোরোক অকংবা মকূপ চামচ তংখায় অমা।
- কালি মির্চ মকুপ চামচ তংখায় অমা।
- ঈশিং কপ অমা।
- অচাথাউ নৎত্রগনা ঘী চামচ অমা।
- চান্নগদবা চাংদা থুম খরা।
- মনম নুংশিনবা ফদিগোম মনা খরা।

থোংবগী মওং ঃ-

- আলু ফুৎতোক্লো অমসুং মকু খোল্লগা মকক-মকক ককথৎলো।
- মৈথক্তা খাং নৎত্রগনা উয়ান থাংগৎতুনা ঘী নৎত্রগা অচাথাউ হৈরো। জীরা মরূশিং ঙাইহাক ঙৌরো।
- খামেন অশিনবা হাপচিল্লগা পেথরক্ত্রি ফাওবা ঙৌরো।
- মোরোক অকংবা মকুপ অমদি কালি মির্চ মকুপ হাপচিল্লগা নীংথিনা ওৎলো।
- মথংদা আলু হাপচিল্লগা অমুকসু ওৎলো।
- ঈশিং কপ অমা হৈজিল্লো অমসুং চান্নগদবা চাংদা থুম হাপচিল্লো।
- মৈরি পীক্না লৈথরগা মিনিট ৭-৮ শৌহল্লো।
- খাবৈনা আলু মকক অমা-অনী নৈখায়রগা মহী নঙশিলহনবা য়াই।
- ফদিগোম মনা চাইশিল্লগা ফোঙ-ফোঙ শানা তল নৎত্রগনা চাক্কা চামিন্নবা য়ারে।



## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - সারাহ জেসিকা পার্কর -

সারাহ জেসিকা পার্কর (কুমজা ১৯৯৫ গী মার্চ ২৫ দা পোকখিবী) অসি অমেরিকান এক্ট্রেস, প্রদ্যুসর অমসুং দিজাইনর অমনি। ঐচ বি ও টেলিভিজন সেরিজ সেক্স এন্দ সিটি (১৯৯৮-২০০৪) দা য়াম্না মরু ওইবা কেরেক্টর অমা ওইরিবা কেরি ব্রাদসোগী শক্তম লাংখিবগীদমক্তা মহাকপু মীয়াম্না খঙনরকখ। সো অদুগীদমক্তা মহাক এমি এৱার্দ অনী ফংখি; অমনা কুমজা ২০০১ দা থোইদোক-হেনে দাকপা কোমেদি সেরিজ অমা পুথোকপগী অদুগা অতোপ্পা অমনা কুমজা ২০০৪ দা কোমেদি সেরিজ অমগী থোইদোক হেনে দাকপা লিদ এক্ট্রেসকী এৱার্দনি। রোল অসিগীদমক্তা মহাক্না কোমেদি সেরিজ অমদা বেষ্ট এক্ট্রেস তাখিবগী গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ মরি অমসুং স্ক্ৰন এক্টরস গীল্ড এৱার্দ অহুম ফংখি।



পার্করনা কুমজা ১৯৭৬ তা মশাগী চহী ১১ শুবদা ইহান হানবা ওইনা দি ইন্নোসেন্টসকী রিভাইবলদা ব্রোদৱেদা থোকপা হৌখি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৭৯ দ ব্রোদৱেগী ম্রজিকেল 'এন্নি'দা মহাক্না টাইটল রোল লৌখি। কুমজা ১৯৮৪ গী ফিল্মশিং ফুটলুজ অমসুং ফার্ষ্ট বোর্নদা কুল্লম্লবা মতুংদা মহাক ব্রোদৱেদা অমুক হল্লকখি। মখা তানা প্লে অমসুং ফিল্ম কয়া কুল্লকখি।

সারাহ জেসিকা পার্কর নেলসনভিল, ওহাইওদা নর্সরি স্কুল ওপরেটর অমসুং ওজা ওইবী বারবারা পার্কর অমসুং ওন্ট্রাপ্রেন্যুর অমসুং জর্নেলিষ্ট ষ্টিভেন পার্করগী মচানুপী ওইনা পোকখি (মার্চ ২৫, ১৯৬৫)। মহাক্কী মমা-মপা খাইনরবা মতুংদা মহাক্কী মমা বারবারা পোল ফোর্ষ্টে কৌবা ট্রক দ্রাইভর অমসুং একাউন্ট ইগজেক্যুটিভ অমদা অমুক লুহোংখি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পার্করগী অনীশুবা (পোক্তবা) মপা অদু মহাক্কী পুন্সিগী শরুক অমা ওইরকখি। চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ওইনা পার্কর ঈশৈ অমসুং বেলেদা ট্রেন তৌখি অমসুং য়াম্না থুনা ৱিলিয়ম অর্কিবাল্ডগী 'দি ইন্নোসেন্টস'কী ব্রোদৱে রিভাইভলদা শক্তম লাংখি। মহাক্কী ইমুং সিন্সীনাটিদা হোংখি অমসুং মদুগী তুংদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী মনাক্তা লৈবা দোবস ফেরি, ন্যু য়োর্কতা হোংখি। মহাক্কী স্পেসিয়েলাইজ ট্রেনিং ফংনবগীদমক্তসু মফম অদুদা ময়ুম হোংখিবনি। মফম অদুদা মহাক্কী মমা অমসুং পোক্তবা মপানা পার্করবু চাইল্ড এক্ট্রেস অমা ওইরকপদা মতেং পাংখি।

পার্কর ন্যু য়োর্ক সিটিগী স্কুল ওফ অমেরিকান বেলে, ন্যু য়োর্ক প্রোফেস্নেল চিলদ্রেন্স স্কুল, সিন্সিনাটিগী স্কুল ফোর ক্রিয়েটিভ এন্দ পার্ফোমিং আর্টর্স অমসুং লোস এঞ্জেলিস, কালিফোর্নিয়াগী হোলিৱুদ হায় স্কুলদা তমখি।



Title: Peacock
By: Wahengbam Sanjana
Class: VI Sec: Maroon Roll No. 57
School: Lee Faith School Imphal



Title: Home
By: Malemnganba Oinam
Class: III Sec: Roll No.34
School: KIDS' FOUNDATION, GHARI



Title: Grapes
By: Jeslin
Class: II Sec: D Roll No.
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Rose
By: Joshitra
Class: II Sec: D Roll No. 14
School: Standard Robarth Hr. Sec. School





Title: Best Friend
By: L. Piya
Class: V Sec: A Roll No. 10
School: Pittigrew Junior



Title: Cute Dog (Puppy)
By: Robertson
Class: II Sec: C Roll No. 61
School:



Title: Scenery
By: Syeda Saliha
Class: II Sec: B Roll No.43
School: Standard Robarth Hr. Sec. School



Title: Cinderella
By: Topper
Class: V Sec: Daffodil Roll No. 13
School: (SL) Arena Of Learning